# এসিয়ন জুনিয়র বোক্সিংদা ইন্দিয়ানা পূন্না গোল্ড মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে



দুবাই, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
এ এস বি সী এসিয়ন য়ুঠ এন্দ বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ঙসি ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী পূন্না গোল্ড মেদল ৪ ফংবা ঙমখ্রে। মখোয়শিং অদুদি জুনিয়র বোক্সর রোহিট চামোলি, ভারত জুন, বিসু রাথি অমসুং তনুনি।

কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী রোহিট চামোলিনা মোঙ্গোলিয়াগী ওটগোনবায়র টুপসিনজায়াগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না লেং মান্নবা বাউট অদুদা জজ অহুম্না মহাক্কী ফেভরদা পোইন্ট হেন্না পীরকখিবা অমদি অতোপ্পা জজ অনীনা মোঙ্গোলিয়াগী বোক্সর অদুদা পোইন্ট হেন্না পীবদগী ৩-২দা মায় পাক্তুনা গোল্ড লৌখি।

কিলোগ্রাম ৮১ মথক্কী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী ভারত জুননা কজাখষ্টানগী বোক্সর য়র্দোস শারিপবেকককা লম্বা তৌনবদা রাউন্দ মঙামক্তা মহাক্না দোমিনেট তৌদুনা শান্নবা ঙমখিবদগী জজ মঙামক্না মঙোন্দা পোইন্ট হেন্না পীদুনা ৫-০দা ফাইনেল বাউট অদু মায় পাক্তুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল্ড ফংখি।

বিসু রাথিনা কিলোগ্রাম ৪৮দা উজবেকিস্তানগী বাক্তিয়োরোভাবু মায়থীবা পীদুনা অহুমশুবা গোল্ড ফংখি। মরিশুবা গোল্ড অদুনা তনুনা কজাখষ্টানগী তোমিরিজপু ৩-২দা মায়থীবা পীদুনা ফংখিবনি।

ঙসি কিলোগ্রাম ৭০গী কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী গৌরভ সাইনি উজবেকিস্তানগী বোক্সর বোলটেদ সবকাটজনগা লম্বা তৌনবদা ০-৫দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা মাঙজৌননা ব্রোঞ্জ ৬ ফংবা ঙমখি। মখোয়শিং অদুদি জুনিয়র ইভেন্টতা দেবিকা ঘোরপাদে (কেজি ৫০), অর্জু (কেজি ৫৪), সুপ্রিয়া রাৱট (কেজি ৫৬) লোয়ননা নুপাগীদা অসিশ (কেজি ৫৪), অন্সুল (কেজি ৫৭) অমসুং অনকুশ (কেজি ৬৬)নি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর ১০না ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল ফংনবা হোৎনগদৌরি। লোয়ননা নুপাগীদা মণিপুরদগী বিস্বমিত্র চোংথাম (কেজি ৫১) য়াওনা বোক্সর ৫ ফাইনেল শান্নগদৌরি। অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুদি জেদিপ রাৱট (কেজি ৭১), বন্সাজ (কেজি ৬৪), বিস্বনাথ সুরেশ (কেজি ৪৮) অমসুং বিশাল (কেজি ৮০)নি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ইকোন কোন্না কুমজা ২০১৯দা য়ু এ ঈগী ফুজাইরা সিটিদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল ৬, সিলভর ৯ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ২১ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবনি। দুবাইগী চেম্পিয়নশিপ অসিদা হৌজিক ফাওবদা গোল্ড ২, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা হান্নদগী পর্ফোর্মেন্স ফজনবা হোৎনরি।

# মৈরাবা লুৱাংনা লাটভিয়া ইন্টরনেসনলগী টাইটল ফংখ্রে



রেগা, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
লাটভিয়াগী সিটি রেগাদা থা অসিগী ২৬তগী বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকপা য়োনেক্স লাটভিয়া ইন্টরনেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট ২০২১দা ইন্দিয়াগী মাইস্নাম মৈরাবা লুৱাংনা টাইটল লৌখ্রে।

মৈরাবা লুৱাং মমাংদা জুনিয়রগী থাক্তা ৱর্ল্ড নম্বর ২ ফাওবা লৈরম্লবা মতুং লাটভিয়া ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অসিদা সিনিয়রগী থাক্তা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকপনি। টুর্নামেন্ট অদুগী ক্বালিফায়িং রাউন্দ ৪ মায় পাক্লবা মতুং মহাক মেন টুর্নামেন্টকী-দমক ক্বালিফাই ওইরকখিবনি। মহাক্না ক্বালিফায়িংগী অহানবা রাউন্দ বাই ফংলবা মতুং লাটভিয়াগী গুস্টা দেভিদ, ইষ্টোনিয়াগী হুগো থেমাস অমসুং লিথ্বানিয়াগী ভিলিয়স বাগদানাবিসিয়সপু মায়থীবা পীদুনা ক্বালিফাই ওইরকখি।

মেন ইভেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা মৈরাবা লুৱাংনা ইটালিগী শান্নরোয় এনরিকো বারোনিবু ২১-১৪, ২১-১৩দা ইৱা ৱাদনা মায় পাক্লবা মতুং প্রি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখি। মদুদা মহাক্না পোর্টুগালগী শান্নরোয় বর্নার্দো এটিলানোবু অকনবা লম্বা অমদা অহানবা গেম ১৭-২১দা মায়থীরগা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা গেম অদু ২২-২০, ২১-১২দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

মৈরাবনা ক্বার্টর ফাইনেলদা চেক রিপব্লিককী জান লোদাগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৯, ২১-১২দা মায়থীবা পীরগা সেমীফাইনেলদা মলেসিয়াগী শান্নরোয় কোক জিং হোংবু ২১-১১, ২১-১৭তা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসি অথেংবদা শান্নবা ফাইনেল মেটচতা মৈরাবা লুৱাংনা ফ্রান্সকী শান্নরোয় এলেক্স লেনিয়রগা লম্বা তৌনখি। অহানবা গেম মৈরাবনা ২১-১৫দা থোইখি। ২শুবা গেম অদু ফ্রান্সকী এলেক্সনা ২১-১২দা মায় পাকখ্রবা মতুং দিসাইদিং গেমদা য়াম্না নকনা শান্নবা ঙম্লকপদগী গেম ২০-২০ ফাওবা লৈরম্বদগী মৈরাবনা ২২-২০দা থোইরগা টাইটল লৌখি।

# ভাবিনা পটেল অমসুং নিশাদনা সিলভর লৌখ্রে, বিনোদ কুমারনা ব্রোঞ্জ ফংখ্রে







টোকিও, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
টোকিওদা চথরিবা পেরালিম্পিক গেমসতা ইন্দিয়াগী এথলিট ভাবিনা পটেলনা টেবল টেন্নিসতা সিলভর ফংবা ঙমখ্রে। হায় জম্পতা নিশাদ কুমারনা এসিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ থমদুনা টি-৪৭ ইভেন্টতা সিলভর ফংহৌরে। লোয়ননা দিস্কস থ্রোগী এফ-৫২ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরালিম্পিয়ন বিনোদ কুমার ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী টেবল টেন্নিসকী ক্লাস ফোর ইভেন্টকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী ভাবিনা পটেলগা চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ঝৌ য়িংগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট গেম অহুমদা ৭-১১, ৫-১১, ৬-১১দা মায়থীদুনা সিলভর ফংহৌবনি। পনবা য়াই, ঝৌ য়িং কুমজা ২০০৮ বৈজিং, লন্দন ২০১২ পেরালিম্পিক গেমসতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা এথলিটনি। অদুবু ৱর্ল্ড নম্বর ১২তা লৈরিবী ভাবিনানা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা ২০১৬ রিও পেরালিম্পিক্সকী গোল্ড মেদল অমসুং সিলভর মেদল ফংখ্রবা শান্নরোয় ২ মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপাগী হায় জম্পকী টি-৪৭ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী নিশাদ কুমারনা মিটর ২.০৬ চোংলগা এসিয়াগী অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা সিলভর মেদল ফংহৌখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা য়ু এস এগী এথলিট রোদরিক টাউনসেননা মিটর ২.১৫ চোংদুনা অনৌবা ৱর্ল্ড রেকোর্দ অমা থম্বগা লোয়ননা লৌখি।

ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী অতোপ্পা ইভেন্ট অমা ওইরিবা দিস্কস থ্রোগী এফ-৫২ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী পেরা এথলিট বিনোদ কুমারনা মিটর ১৯.৯১ লংলগা অনৌবা এসিয়াগী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙম্বদা নৎতনা ব্রোঞ্জ মেদলসু ফংখি। হায়রিবা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেদল অদুনা পোলেন্দগী এথলিট পিয়োটর ওসেবিচনা মিটর ২০.০২ লংলগা ফংখিবনি। অদুগা সিলভর মেদল অদুনা ক্রোএসিয়াগী পেরা এথলিট ভেলিনির সন্দোরনা মিটর ১৯.৯৮ লংলগা ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিদ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি য়াওনা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ভাবিনা পটেলনা সিলভর মেদল ফংলকপা লোয়ননা নিশাদ কুমারনা হায় জম্পতা সিলভর লৌরকপা অদুগা বিনোদ কুমারনা দিস্কস থ্রোদা ব্রোঞ্জ ফংলকপদা হরাউবা অমসুং থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা ইন্দিয়াগী মেদল ফংলক্কদবা ইভেন্ট কয়া লৈরি।

# নুমীৎ ১৫নি চথরকপা রেসিদেন্সিএল ট্রেনিং কেম্প লোইশিনখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
সাউথ এসিয়ন ফেদরেসন ওফ ওল স্পোর্টস অমদি নেপাল স্পোর্টস কাউন্সিল অনীনা খূৎশম্নরগা মথং থাগী ১০ অমসুং ১১দা নেপালগী কোনুং কাথমান্দুদা পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা মাউন্ট এভরেষ্ট ইন্টরনেসনল গেমস ২০২১ ওল গেমস ইন্দিয়াগী টিম শেম্বদা শরুক য়ারুনবা খল্লবা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মার্সিএল আর্টস স্পোর্টসকী শান্নরোয়শিংগী ওইবা নুমীৎ ১৫নিগী রেসিদেন্সিএল কেম্প অদু ঙসি লোইশিনখ্রে।

শীংজমৈদা লৈবা চীংঙা মথক টেন্নিস কমপ্লেক্সতা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া ওল ষ্টাইল মার্সিএল আর্টস সেল্ফ দিফেন্স এন্দ স্পোর্টস এসোসিএসননা শীন্দুনা মার্সিএল আর্টস স্পোর্টসকী ওইবা ট্রেনিং কেম্প অদু চথরকপনি। ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা গ্রান্দমাষ্টর এন জি জিট খুমনচা, ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. ঐচ রোমেন অমসুং মণিপুর ক্যুদো এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল সিংহজিৎনা শরুক য়াদুনা ওফিসলশিংগী য়ুনিফোর্মসু য়েন্থোকখি।

# নেসনল স্পোর্টস দে অমসুং অজাদি কা অম্রুট মহোটসবকা মরী লৈননা সাইকল রেল্লি ২০২১ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি অমসুং ফিট ইন্দিয়া ক্লব মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা কাঞ্চিপুরদা ঙসি নেসনল স্পোর্টস দে ২০২১ অমসুং অজাদি কা অম্রুট মহোটসব পাঙথোকপগা লোয়ননা সাইকল রেল্লি অমা শীনখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, ন্যু দেল্লীগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর ডা. এল লোকেন্দ্র, রিমস ইম্ফালগী প্লাষ্টিক সর্জরিগী হেদ অমসুং বাইসাইকল মেয়র ওইরিবা প্রো. ডা. সঞ্জিব নেপ্রম, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টুদেন্ট ৱেলফ্যেরগী দিন, ফিট ইন্দিয়া ক্লবকী চ্যেরমেন ডা. এল বিস্বনাথ অমসুং মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী স্কুল ওফ মেথমেটিকেল এন্দ ফিজিকেল সাইন্সেসকী দিন অমসুং ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটিগী চ্যেরমেন প্রো. কে জুগিন্দ্রোনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমদি প্রসিদেন্টশিং ওইদুনা কাঞ্চিপুর ট্রাফিক পোইন্টতগী লমথাখি। পূন্না সাইক্লিষ্ট ২৫০ হেনবনা রেল্লি অদুদা শরুক য়াখি।



থৌরম হৌরকপদা হোক্কীগী লেজেন্দ মেজর ধ্যান চান্দগী মপোক নুমীৎপু লৈবাকশীনবা থুংনা নেসনল স্পোর্টস দে হায়না পাঙথোকপগা মরী লৈননা হে-লৈ কৎখি। রেল্লি অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর মশামকয়াওনা য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা পাঙথোকখি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোকপগা লোয়ননা অজাদি কা অম্রুট মহোটসবসু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনা লমথাখি। থৌরম অদুগী ওইনা রেল্লি অদু মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদগী হৌরগা নম্বোলগী মাইবম লোৎপা চীংদা লৈরিবা ইম্ফাল পীছ ম্যুজিয়ম ফাওবা চৎখি।

ফিট ইন্দিয়া কেম্প্যেন কম্মিটি অমসুং ফিট ইন্দিয়া ক্লবকী কনভিনর ওইরিবা ডা. লাইশ্রম সন্তোশনা ঙসিগী থৌরম অদুদা লাকখিবা মীপূম খূদিংমক তরাম্না ওকপগা লোয়ননা নেসনল স্পোর্টস দে অমসুং অজাদি কা অম্রুট মহোটসব সাইকল রেল্লি পাঙথোকপগী নুংগী ওইবা মরুওইবা ৱাফমশিং থমখি।

ডা. এল বিস্বনাথনা থৌরম অদুগী কিনোট এদ্রেস পীবগা লোয়ননা নেসনল স্পোর্টস দে পাঙথোকপনা লৈবাক শীনবা থুংনা শান্নরোয় অমনা লৌরিবা থৌদাংশিং অদুগী মরুওইবশিং অদু থমখি। সাইক্লিংনা মীওইবগী ইম্ম্যুন সিষ্টম কনখৎহনগনি হায়না থমখি।

য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফিট ইন্দিয়া ক্লবকী মেম্বর ডা. কেএস ঐচরঞ্জননা ঙসিগী থৌরম অদুদা লাকখিবশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# টিকেন্দ্র অমসুং অমুজাও লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
টিদ্দিম রোদ য়ুনিক গেমি প্লেয়র্স য়ুনিয়ন (টুগপু) নম্বোলগী এদভাইজর অমদি দোনর ওইরম্বা অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্টসু ওইরম্বা নম্বোল সাবল লৈকাইদগী প্রো. সাইখোম টিকেন্দ্র অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী ফেমিলি ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী দেপ্যুটি দিরেক্টর ওইরম্বা লম্ফেল সনা কৈথেলদগী আর কে অমুজাও মখোয় অনীনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা নম্বোল সাবল লৈকাইদা লৈবা টুগপুগী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

টুগপুগী এদভাইজরশিং, থৌনাওজম বুধগোপাল অমসুং পুখ্রম্বম রাখল, প্রসিদেন্ট চিংঙাখম রঘুমণি, ভাইস প্রসিদেন্ট খোমদ্রাম বিরমঙ্গোল, চিংঙাখম শরত অমসুং তোইজম মেঘ লুৱাং য়াওনা লৈখিদ্রবা অনীনা হিংলিঙৈদা টুগপুগী থবক থৌরমশিং পায়খৎলম্বা অদুবু ইকাই খুম্নবা উৎতুনা মিনট ২ তুমিন্না লেপখি অমসুং লৈখিদ্রবা অনীগী থৱায় মিরেলনা মপূগী খূয়াদা ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা থৌনীখি।

# মণিপুরগী টিমনা গোল্ড ৩, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ লৌখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস):
গোৱাদা চথরিবা ৱাকো ইন্দিয়া নেসনল সিনিয়র এন্দ মাষ্টর্স কিক বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর টিমগী মহুৎ শিল্লিবা য়ুনাইটেদ এসোসিএসন ওফ কিক বোক্সিং ওর্গনাইজেসন মণিপুরগী কিক বোক্সিং শান্নরোয় ৩না গোল্ড, সিলভর ১ অমসুং ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৬ ফংবা ঙমখ্রে।

গোল্ড ফংলকখ্রবশিং অদুদি নুপাগী লাইট কন্টেক্টকী কিলোগ্রাম ৫৫দা এন মিলন, নুপীগী লো কিককী কিলোগ্রাম ৫৭তা ৱাই থোইসনা অমসুং নুপীগী ফুল কন্টেক্ট কেজি ৫৭তা ৱাংখেম বিনিতানি। সিলভর অদুনা নুপাগী লো কিককী কেজি ৬৭তা এন জি কলস্বস মৈতৈনা ফংখি। লোয়ননা ব্রোঞ্জ মেদল অনী অদুনা নুপাগী কে-১গী কেজি ৫৪দা সাপম বোইচা অদুগা নুপাগী লো কিককী কিলোগ্রাম ৫৪দা কে এস ঐচ জানিনা ফংখি।

টিম অসিগী মেনেজরনা এল বেদিকনা থৌ পুখি। নুপাগী কোচনা কে ঐচ বোবি, নুপী টিমগী কোচনা ৱাই বিরেন লোয়ননা ওফিসল রেফরি ওইনা এস সনাতোম্বা মীতৈ অমসুং এম সুভাসচন্দ্রসু য়াওখি।

# সানিয়া মির্জা ফাইনেলদা মায়থীহৌরে

ক্লিভলেন্দ, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয় সানিয়া মির্জানা য়ু এস এগী খৃষ্টিনা মেকহেলগা প্যের ওইরগা শরুক য়ারকপা ক্লিভলেন্দ দব্লিয়ু টি এ ২৫০ টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী ফাইনেলদা মায়থীহৌরে। ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়া অমসুং য়ু এসকী প্যের অদুবু জপানগী প্যের এস ওয়ামা অমসুং ঈ শিবাহারাগী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৫-৭, ৩-৬তা মায়থীহৌবনি।

# টোটেনহাম হোটস্পরনা ৱাটফোর্দ থোইখ্রে, লীদস য়ুনাইটেদ দ্রো চৎখ্রে

লন্দন, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা টোটেনহাম হোটস্পরনা ৱাটফোর্দপু ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা অতোপ্পা মেটচ অমদা লীদস য়ুনাইটেদ অমদি বর্নলেগী টিম পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখ্রে।

টোটেনহাম হোটস্পরনা য়ূম্মু ওইরগা ৱাটফোর্দকা শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবগী পুংখায়দি পাঞ্জল চন্নখিদে। ৪২ শুবা মিনটতা হোটস্পরগী সাউথ কোরিয়া মচা ষ্ট্রাইকর হিয়ুং মিন সোননা মেটচ অদুগী খ্বাইদগী মরুওইবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। ৱাটফোর্দ ইক্কেলাইজর ফংদনা মায়থীহৌখি।

বর্নলে অমসুং লীদস য়ুনাইটেদকী মেটচ অদুগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা বর্নলেগী মায়কৈদগী মেথিয়ু লোটোননা পীরকপা বোলদা খৃষ্ট ৱুদনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা লীদস য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগীনা শান্নবগী ৮৬ শুবা মিনটতা পেট্রিক বামফোর্দনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লগা টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি। মখা তারকপা মেটচ অদুগী অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী দ্রো চৎখি।

অথেংবদা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো নৌনা য়াওরক্লবা মেঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদ অমসুং ৱোলভরহেমটন ৱান্দরর্স লম্বা তৌনরগনি।

# রোনাল্ডো য়াওদ্রবা য়ুভেন্টস মায়থীখ্রে, ফ্যুরেন্টিনা মায় পাকখ্রে

রোম, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
পোর্টুগাল মচা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো য়াওদ্রবা ফুটবোল ক্লব য়ুভেন্টস সেরি এগী মেটচ অমদা ঙসি এমপোলিগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা ফ্যুরেন্টিনানা টোরিনোবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

য়ুভেন্টসনা য়ূম্মু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদু শান্নবগী ২১শুবা মিনটতা এমপোলিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা এল মনকুসোনা পাঞ্জল চনখি। য়ুভেন্টসকী মায়কৈদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদে। মেটচ লোইশিল্লকপা ফাওবা পাঞ্জল চন্নবা কন্না হোৎনরকখিবা অদু এমপোলিগী দিফেন্স লাইন অদু লান্থোকপা ঙমখিদবদগী ০-১দা মায়থীখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ফ্যুরেন্টিনা অমসুং টোরিনোগী মেটচ অদু ফ্যুরেন্টিনানা ২-১দা থোইবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা হাফকী লোইরমদাই ৪১ শুবা মিনটতা জি কাষ্ট্রোভিলিনা পীরকপা বোলদা এন গোঞ্জালেসনা ফ্যুরেন্টিনাগী অহানবা পাঞ্জল চনখি। পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফসু লোইশিনখি। অনীশুবা হাফ শান্নরকপা মিনট ২৫ ফাজিল্লকপদা ফ্যুরেন্টিনাগী মায়কৈদগী দুসান বাহোবিচনা বোনাবেন্টুরানা পীরকপা বোলদা টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা মেটচকী ৮৯ শুবা মিনটতা টোরিনোগী সাইমোন বর্দিনা পাঞ্জল ১ চনখি।

# মার্সিএল অমসুং মোনাকো মায় পাকখ্রে, লেন্স দ্রো চৎখ্রে

পেরিস, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী):
ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লীগ ৱানগী মেটচশিংদা মার্সিএল অমসুং মোনাকোনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে। অমরোমদা লেন্স অমসুং লোরিএন্ট পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে।

মার্সিএলনা য়ূম্মু ওইরগা সেন্ট ইটেনিগা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমমম্ লৈনখি। ২৩শুবা মিনটতা মার্সিএলগী গ্বেন্দোজিনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ৯ লৈরগা সেন্ট ইটেনগী কোলোজেজাকনা ইক্কেলাইজর অদু ৩২শুবা মিনটতা চনখি। অনীশুবা হাফতা গর্সন অমসুং সেনগিস অন্দরনা মার্সিএলগী পাঞ্জল ২ হাপচিন্দুনা ৩-১দা থোইখি।

মোনাকো অমসুং ট্রোয়িজকী লম্বা অদুদা মোনাকোগী মায়কৈদগী সোফিন দায়োফনা পাঞ্জল ২ চনখি। ট্রোয়িজকী পাঞ্জল অদুসু মোনাকোগী রুবেন ইগ্বেলরনা ওন গোলদা চনখিবনি। দায়োফকী অহানবা পাঞ্জল অদু ৪০শুবা মিনটতা চনখি। ইক্কেলাইজর অদুনা ৫১শুবা মিনটতা রুবেননা চনখিবনি। অদুগা ৫৮শুবা মিনটতা দায়োফনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা ২-১দা থোইখি।

লেন্স অমসুং লোরিএন্টকী মেটচ অদুদা লেন্সকী মায়কৈদগী জোনাথন অমসুং সেকো ফোফানানা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। অদুগা লোরিএন্টকীনা মোনকোনদ্বিট অমসুং লোরিএন্টিনা চনখিবনি।


# LOAN AVAILABLE



EMPLOYMENT NEWS
> IMPHAL BRANCH:- Security/Gunman-2
> MOIRANG,NAMBOL,THOUBAL,KAKCHING BRANCH:- Office Asst.-2,Grade IV-2
> SAMUROU BRANCH:- Office Asst.-2,2 wheeler Mechanic-2, Car wash Helper-2,Tyre fitting helper-2

L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
OFFICE HOUR: 10.00AM TO 4.00PM
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP., NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.

HL-B/7056/20/8-3/9


# HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

## PUZZLE NO. 214



**Kasparov, Garry (2760) - Ivanchuk, Vasyl (2625)**
**55th URS-ch Moscow URS (2), 1988**

| | | |
|---|---|---|
| 1.c4 Nf6 | 2.Nc3 e5 | 3.Nf3 Nc6 |
| 4.g3 Bb4 | 5.Bg2 O-O | 6.O-O e4 |
| 7.Ng5 Bxc3 | 8.bxc3 Re8 | 9.f3 exf3 |
| 10.Nxf3 d5 | 11.d4 Ne4 | 12.Qc2 dxc4 |
| 13.Rb1 f5 | 14.g4 Qe7 | 15.gxf5 Nd6 |
| 16.Ng5 Qxe2 | 17.Bd5+ Kh8 | 18.Qxe2 Rxe2 |
| 19.Bf4 Nd8 | 20.Bxd6 cxd6 | 21.Rbe1 Rxe1 |
| 22.Rxe1 Bd7 | 23.Re7... | |

**QUESTION :**
**White to Win**

**Puzzle 213 Ans. :**
22.Rc2 Rxc2 The black rook deflects White's queen away from protecting the square e3. The black rook trades and lures White's queen to the square c2. 23.Qxc2 Qxf1+ The black queen decoys White's king. 24.Kxf1 Ne3+ The black knight forks White's king and queen. 25.Ke2 Nxc2
22. ...Rxc2

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Executive Editor: Maisnam Karnajit, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com